অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৯৩°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৫৩°C

মণিপুরগী নোংজ্রুগী চাং : ০৩.৭৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 82.486041 |
| US Dollar | 78.124404 |
| British Pound | 95.969814 |
| Australian Dollar | 54.495730 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.666894 |
| Japanese Yen | 0.573722 |
| Malaysian Ringgit | 17.761285 |
| Singapore Dollar | 56.406628 |
| South Korean Won | 0.060430 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.833174 |
| Thai Baht | 2.209498 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940
**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo014/05/22**
VALID FROM08/05/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141
OFFICE TIMING 9AM TO 3pm WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 18-05-2022**
VALID FROM 10-05-2022
**STK 306**
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 22-06-2022
CONTACT NO -7005695308, 6009772483
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto-05-05-2022,**
VALID FROM 03-04-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (9615943811)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 04/06/2022**
Valid from 25/05/2022
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 01/06/2022
**BOOKING UPTO: 04/06/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only) Ujjwala connectionavailable 14-06-2022 Update Gas With Fresh photo . New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxxxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## ওপোজিসন অমসুং মীদিয়াগী ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়রদুনা ওপোজিসনদা চথুরক্লিবা পামদবা লাল্লোংশিং তোকপীয়ু। চথুরিবা খোঙজং/প্রোটেষ্ট অসি ব্লোক লেভেলদসু মখা তানা চথুখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী থৌওংবু য়ানীংদে হায়বা খোল্লাও কয়া লাওখি।

পনবা য়াবদি এম পি সী সীগী মায়কৈদগীসু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধীবু হঞ্জিন হঞ্জিন সমন তৌবগী মায়োক্তা শঙাকফমদা লৈবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী ওফিস মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌবগা লোয়ননা রাজ ভবনগী গেট তম্না চঙশিল্লক্তুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজংশিং চঙশিনখ্রবনি। লোয়ননা কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম খরদসু কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র য়াওনা পার্টিগী থৌপুবশিংনা হন্দক এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা চথুরক্লিবা থবকশিং অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রবনি।

## জিরিবাম অমসুং তমেংলোংগী ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়ৱে পরিংগী লন্বী তঙ্খায় অমা খঙহৌদনা নমথখিবদগী হৌজিক মফম অদু গাড়ী চৎথোক চৎশিন য়াদদুনা খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক খাজিন্দুনা থমখ্রে। খোংশাং অমদি কন্বীরোন এরিয়াদসু পোৎ পুরকপা ত্রক খরা পন্দুনা লৈখ্রে।

তুপুলগী এরিয়াদনা কলভর্ট অমদি ইরম নালাগী ফীভম মতিক চাদবদগী লন্বী ময়ায়দা চীংদগী চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাং হাজিন্দুনা লৈরে অদুগা কোটলেন অমসুং সেজাংগী মরক্তসু চীং নীংখাইরকপদগী এন এচ আই দি সী এলনা প্রোক্লেন শীজিন্নদুনা কোৎথোক্লবা কন্না হোৎনরি।

চৈরকসিদা কাংপোকপীদগীনা তমেংলোং ফাওবগী ওল্ড আই টি রোদকী মরক্তা টি ভাইচোং অমসুং সেলসিগগী মরক্তা থোকপা লেন্দস্লাইদশিং নিংথিজনা লৌথোকপা ঙমদ্রি। টিপাইমুখ খুলদসু য়ূম ১২ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। থৌদোক অসি বরাক তুরেলগী ঈমাই পানা চেল্লকপদগী থোকখিবনি। জিরিবামগী কামরঙ্গ মুসলিম ভিলেজদনা য়ূম ৫৬ রোম ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী মীওই ৪০ রোম লৈফম লৈতদুনা কামরঙ্গ মুসলিম য়ুথ ক্লবতা চঙজফম লৌদুনা লৈরে। অদুগা জিরিবাম তুরেল মপান্দা লৈবা ইমুং ১৫ রোমসু ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী পারবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ফাইলেন্থাং পুঞ্জি ভিলেজগী অঙ্খাসু ভিলেজদসু ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

## ত্রিপুরাদা রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্রগী মীতম...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর অমদি শ্রীশ্রী রাধামাদব মণিপুর য়ুব কম্মিটি (রাধানগর), অগরটলা অনীনা খূৎশম্নদুনা শিনবনি।

রাজর্ষিগী মীতম লৈখিদ্রবা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রগী মচা ইবেম্মা তোম্বী মহারাজকুমারি হেমামঞ্জুরিনা হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কৎথোকখি।

থৌরম অদুদা মহারাজ বোধচন্দ্রগী লোয়নবী রানিখিবির, রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী ফাউন্দর আর কে রনজিৎ, ফাউন্দেসন অসিগী এক্টিং প্রসিদেন্ট আর কে সনাজাওবা, এদভাইজর টি অমুসনা অমসুং ফাউন্দেসন অসিগী মরু ওইবা থৌবুরোইশিংনা শরুক য়াখি।

## এক্সিদেন্টদা শিরে...

*লামায় ১গী মখা...* থোন্বদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে হায়রি। থৌদোক অদুদা গাড়ী মচা থৌরকখিবা মীওই অদুসু কোক্তা ফীভম লুনা শোকপদগী লায়কন্নরি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে। মহাক ময়াংইম্ফাল কৈথেলদা ফি ইষ্ট্রি তকপগী দুকান হাংদুনা লৈবনি হায়রি।

## হি লাকপদা শিরে...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগী অকনবা ঈরৈদা লাকশিনবদগী লুৱাংশঙবম মমাঙ লৈকায়দগী ব্রোজেন কৌবা মীওই ১ ঈশিংদা লুপশিনখ্রবা মতুং শিনা ফংলে হায়রি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অনীবুনা মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংগা জোমি য়ুথ এসোসিএসনগী ভোলুন্টিয়রশিংগনা কলহৌরে হায়রি।

থৌদোক অসি তুইভাই তুরেলগী খ্বাংগিন ভিলেজ মনাক্তা মতম খরগী মমাঙদগী তেক্তুনা তাশিল্লগা লৈরিবা বেল্লি ব্রিদজ অমগী অকায় অতোয় মনাক্তা থোকখিবনি হায়রি।

## মার্ক হাওকিপকী বেল রিজেক্ট...

*লামায় ১গী মখা...* মায়োক্তা মহাক্লা বেল পীবিনবা তৌরকখিবা প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

মহাক অহানবদা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস অদুগা মরী লৈননা কোর্টনা বেল পীখ্রবসু অমুক হন্না মহাক্লা গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কুকিলেন্দ কৌবা লালহৌলুপ অমগী প্রসিদেন্ট ওইরম্লে হায়বগী চার্জদা মহাকপু মমাঙ থাগী ৩০দা ফাজিনখিবনি। অদুগা মহাক্কী মথক্তা অনীশুবা ওইনা কেস এফ আই আর নম্বর ১২৯ (৫) ২০২২ অন্দর সেক্সন ১২০-বি, ১২১, ১২১-এ, ১২৩, ৪০০, ৪৬৮ আই পি সী অমসুং ১৭/১৮ য়ু এ (পি) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। লোয়ননা অকোনবগী কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসি ফাওবদা মহাক জেলদা থল্লক্লিবনি।

চৈরকসিদা, মহাক্কী মায়কৈদগী অনীশুবা কেস অসিদগী বেল পীবিনবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদুগী মতুংইন্না ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বেল) কেস নম্বর ৬০ ওফ ২০২২ লৌখৎলগা মসিগী হিয়ারিং থা অসিগী ১৫দা পাঙথোকখিবনি। অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

কোর্ট অসিনা ঙসি পীখিবা ওর্দরদা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলিবা পুলিসকী কেস দাইরিগী মতুংইন্না মহাক্লা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লান হৌনবগী লৌতুনবগীদমক প্রাইমা ফেসিগী মচাকশিং ফংলে অমসুং মহাক্লা মহাক্কী লূপ অসিগীদমক ভোলুন্টিয়রশিং রিক্রুট তৌবা, খূৎশু খূৎলায়শিং লৈশিন্নবা হোৎনবনচিংবা তৌরে হায়রগসু মসিগী চপ চাবা রিপোর্টশিং ফংদ্রি হায়রদুনা হৌজিকমক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী অহানবা তাঙ্কক ওইরিবনা তাঞ্জাসিদা মহাকপু বেল পীবা চুমদে হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী বেল প্রেয়র অদু কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি।

## অগ্নিপথ স্কিম...

*লামায় ১গী মখা...* দিরেক্সন পীবিনবা সবমিসন তৌনরকখি। অদুম ওইনমক জষ্টিস অনীনা পি আই এল অনীমক চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াদা হান্না পুখৎলগা মহাক্লা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কেস অনীমক্কী মখা তাবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়দুনা ফোঙদোকখ্রে। পি আই এল অনীসিগী মনুংদা এদভোকেট হর্স অজয় সিংহনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী দাইরি নম্বরনা ১৮৭৭৪ ওফ ২০২২নি। পি আই এল অনীগী মরাইবক হৌজিক চীফ জষ্টিসনা লেপকদৌরি।

## এক্টিভ কেস ৪...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না ঙসিসু কোভিদ পেসেন্ট অমত্তা দিসচার্জ তৌখিদে। অদুম ওইনমক লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙহনবদি লৈখিদে হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস অসি হাপচিল্লগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীং ১,৩৭,২৪৭ শুরে। ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১২৩ শুরে। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৪৫দা অদুমক লৈরি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ২৪৬১ কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কাপথোকখ্রবা অপূনবা দোজ মশীং ২৯,৪২,২২২ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী মশীংনা ১৫,৮৬,৭৬২নি। অদুগা অনীশুবা দোজগী মশীংনা ১২,৫০,৮৪৭নি। কাপথোকখ্রবা অপূনবা প্রিকোস্নরি দোজশিংগী মশীংনা ১,০৪,৬১৩ শুরে হায়রি।

## য়সৱন্ট সিনহানা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীরেপ ...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসি পাঙথোকখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অদুদা কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনচিংবগী লুচিংবশিং য়াওখি। এন সী পিগী লুচিংবা সরদ পৱারনা কৌখিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফম অদুনা কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা য়সৱন্ট সিনহাবু ৱাখল মান্নবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মীরেপ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা সী পি আইগী দি রাজা, সী পি আই (এম) গী সিতারাম য়েচুরিনচিংবসু য়াওখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেসকী কম্যুনিকেসন চীফ জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৈবাক অসিবু মখা তানা মাঙহনবদগী থিংনবগীদমক ঐখোয়না য়সৱন্ট সিনহাবু কম্মন কেন্দিদেট ওইনা খল্লে হায়খি। মরম অসিনা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্লা মরু ওইনা বি জে পি অমসুং মহাক্লা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা ফাওবা য়সৱন্ট সিনহাবু শৌগৎপীদুনা লম্বা তৌনদনা খনবীদুনা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমা ওইহল্লসি হায়খি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী মীফম অদুদা ওপোজিসন পার্টিশিং ওইরিবা টি আর এস, বি জে দি, এ এ পি, এস এ দি অমসুং ৱাই এস আর সী পিনচিংবদি য়াওখিদে। অদুম ওইনমক মখোয়সু পোলিটিকেল পার্টি ১৩না য়ান্নরবা য়সৱন্ট সিনহাদা শৌগৎপীনবা হায়জখি।

পনবা য়াবদি, মমতা বেনর্জিনা থৱায় য়াওনা হৌদোরকখিবা ওপোজিসনগী কম্মন কেন্দিদেট অমা খন্নবগী মথং মথং পাঙথোরক্লিবা মীফমশিংদা অহানবদা সরদ পৱারবু মীরেপ ওইননবা লেপ্পরুরবনি। অদুবু মহাক মশানা য়ানীংদবদগী মথংদা গোপাল কৃষ্ণ গান্ধী অমসুং ফরুক অবদুলা ফাওবগী মমিংসু পন্নরুরবনি।

নাকল অমরোমদা রুল্লিং বি জে পি অমসুং মহাক্কী মপাংশিংগী ওইবা প্রসিদেন্সিএল পোল অসিদা করম্বা কেন্দিদেটনা লম্বা তৌনগনি হায়না মীয়াম্মা খৌরাংনা ঙাইনরকখিবা অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলিবা এন দি এ লৈঙাক্কী ওইনা পাঙথোল্লগদবা মীখল অসিগীদমক হান্না ঝরখণ্ডগী গভর্ণর ওইরম্বী দ্রৌপদি মুরমুবু কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা ঙসি পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা কৃপ্না খন্নরবা মতুংদা লেপ্পখিবনি হায়রি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মপাংশিংগী ওইবা মীরেপ খনবগী থবক অসি ওপোজিসন পার্টিশিংগী মায়কৈদগী য়সৱন্ট সিনহাবু মখোয়গী কম্মন কেন্দিদেট ওইহল্লগনি হায়না লেপ্পখিবগা ইকুই কুইদনা লৌখিবনি। মতাংসিদা পৃক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবনা করিগুম্বা হান্না গভর্ণর ওইরম্বী মুরমুনা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল পোল অসিদা মায় পাক্লবদি মহাক্লা অহানবা লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল প্রসিদেন্ট ওইবগা লোয়ননা নুপীশিংগী মরক্তনা অনীশুবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইগদৌরিবনি।

নরেন্দ্র মোদি য়াওনা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী মীফম অসিগী মতুংদা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ফম অসিবু ত্রাইবেল অমত্তদা শিন্নরক্রিবনা দ্রৌপদি মুরমুবু ঐখোয়গী প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইহন্নবা লেপ্পরে হায়না লাউথোকখি।

মীখল অসিগীদমক বি জে পিনা তোঙান তোঙানবা মীওই ২০ খনগৎতুনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা মহাকপু কেন্দিদেট ওইহন্নবা ৱারেপ্লখিবনি। মহাক কুমজা ১৯৫৮দা পোকখিবীনি অদুগা কুমজা ১৯৯৭তগী ওদিষাগী রাজরংপুর দিষ্ট্রিক্টতা কাউন্সিল্লর ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা মহাক্কী পোলিটিকেল করিয়র হৌখ্রবনি। চহী অদুমক্তদা মহাক বি জে পি ওদিষা য়ুনিটকী সেদ্যুল্ড ত্রাইব মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইখি। মহাক্লা পোলিটিক্সতা খোঙদাদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক এসিষ্টেন্ট টিচর ওইরকখি। অদুগা ময়ুরভঞ্জগী বি জে পি দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং ওইনা কুমজা ২০০২দগী ২০০৯ ফাওবা পুরক্লগা ২০১৩দসু হায়রিবা ফম অসি পুখিবীনি। অদুগা ওদিষাদা মহাক অনীরক হন্না এম এল এ ওইনা কারক্তুনা নবিন পটনায়কনা লুচিংবা লৈঙাক্তা কেবিনেট মিনিষ্টর ফাওবা ওইখি অদুগা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী গভর্ণরসু মহাক্লা ওইখি হায়রি।

## এম এল এ সাপম কুঞ্জেশ্বর (কেবা)গী অপুনবা ...

*লামায় ১গী মখা...* ফেব্রুৱারি ৩ ফাওবদা লুপা অমত্তা য়াওখিদে। অহুমশুবদা ইন্দিয়ন বেঙ্ককী একাউন্টদা চহীসিগী ফেব্রুৱারি ৩দা লুপা ১০,০০০ লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবীগী এস বি আইগী একাউন্টদা চহীসিগী ফেব্রুৱারি ২ ফাওবদা লুপা ২,৯১৯ লৈখি। মহাক্কী মীংদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌখিবগী রিপোর্ট অমত্তা য়াওদে। অদুবু মহাক্কী লোয়নবীগী মীংদা লাইফ ইন্সুরেন্সতা চহীগী ওইবা প্রেমিয়মদা লুপা ১০,০০০ ইনভেষ্ট তৌই হায়রি।

মহাক্কী মীংদা কুমজা ২০১৫দা চাওরাক্লা লুপা ৮,১৮,১০৫ লোম ওইগদবা মহিন্দ্র এক্স য়ু ভি ৫০০ অমা লৈখি। কুমজা ২০১৯দা চাওরাক্লা লুপা ১১,১৩,৬২০ লোম ওইগদবা হুইন্দাই ক্রেটা অমা লৈখি। মহাক্কী মীংদা চাওরাক্লা লুপা ৮৮,০০০ লোম ওইগদবা সন ৮গী গোল্ড চেন অমা লৈ। অদুগা লোয়নবীগী মীংদনা চাওরক্লা লুপা ১,২১,০০০ লোম ওইগদবা সন ৩গী গোল্ড রিং অমা অমদি সন ৮গী গোল্ড চেন অমা লৈ হায়রি। এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম অসি লুপা ২১,৪৯,৫৫৭ ওইখি। অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীনা লুপা ১,৫৮,৯১৯ ওইখি হায়রি। মহাক্কী অমদি লোয়নবীগী মীংদা এগ্রিকলচরেল অমদি নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দ অমত্তা লৈতে। মহাক্লা এস বি আইদগী পর্সনেল লোন লুপা ৫,৬৩,৪৪৬ অমদি এদ্যুকেসন লোন ওইনা লুপা ৯,৮৪,১৪২ লৌখি। লোয়ননা মহিন্দ্র ফাইনান্স ইম্ফালদগী কার লোন ওইনা লুপা ৭,৪৩,৪৩৬ লৌখি হায়রি। মহাক্কী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটি অসি লুপা ২২,৯১,০২৪ ওইরি। কুমজা ২০২০-২১গী লাষ্ট ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল্ডগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৪,৯৬,৫০০ ওইখি। মহাক্কী মীংদা পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমা লৈ হায়নসু মীখল অসিগীদমক মীরেপ ওইননবা রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা নোমিনেসন পেপরগা শাগোন্নখিবা এফিদভিট অদুদা য়াওরি।

## যোগনা হকচাং কনখৎহনবা অমসুং ইশাবু থাজহনবা...

*লামায় ১গী মখা...* জেনরেল এসেমব্লিদা মালেমগী ওইনা যোগগী নুমিৎ অমা লাউথোক্তুনা পাঙথোকহনবীনবা হায়জখিবগী মতুংইন্না জুন ২১বু য়ু এননা মালেমগী যোগগী নুমিৎ হায়না লাউথোক্তুনা ঙসি ফাওবদা মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়খি। যোগ অসি লৈবাক অসিগী ফুরুপশিংগা নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী লোয়নরক্লবনি হায়রদুনা মসিবু লৈবাক শিনবা থুংনা চথুদুনা লাক্লি হায়খি।

হন্দক চহীগী ওইনা 'যোগ ফোর হ্যুমেনিটি' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীপূম খুদিংমক্লা অমনা অমবু চপ মান্ননা খনগদবনি। অমনা অমদগী মকোক থোংই হায়দুনা খল্লোইদবনি। মসিমক ঙল্লগদি মীয়াম পূম্নমক চপ মান্ননা চাওখৎমিন্নবা ঙমগনি হায়খি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা মণিপুরগী মীয়াম্মা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি নিংথিজনা ঙাকপনা লাইচৎ অসিনা কা হেন্না খুদোংথিবশিং নংহনখিদবনি হায়খি। ঙসিদি মালেমগী লৈবাক ১৭৫না লৈবাক অসিনা হৌদোকখিবা মালেমগী যোগগী নুমিৎ অসিবু শৌগৎনরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর, দি জি পি, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মনুংদা এম দি য়ুগী মিনি হোল, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি, চান্দেল হেদ ক্বার্টর, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি, মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর, নোর্থ ইষ্ট হিল য়ুনিভর্সিটি, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, চান্দেলগী জফৌ কৈথেলগী ৱিমেন মার্কেট, পাঙ্গৈগী হাওটলদা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়, চান্দেলগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট কমপ্লেক্স, পুখাও লাইফমগী ভিলেজ দিভেলপমেন্ট স্পোর্টিং ক্লব অমসুং চাওখৎপগী মঙাল ভি এল এফ পুখাও খাবমগা খূৎশম্নদুনা পুখাও লাইফমগী কম্ম্যুনিতি হোল, আই সী এ আর- কে ভি কে চুড়াচান্দপুর, খাঙবোক্কী কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং এন ৱাই কেনা শীন দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স, তমেংলোং অমসুং কাংপোকপীদা ৪৪-অসাম রাইফলসকী তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংদসু ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকখি।

## এগ্রিকলচর লোয়শঙদা 'এ টি এম এ' গী শেল লৈত্রবরা, লৈরগনা ...

*লামায় ১গী মখা...*এ টি এম/বি টি এমশিং হাপচিল্লক্ত্রিবা ফাওবদি হায়রিবা পোষ্ট অনীসিগী থবকশিংসু মখোয় মশাগী মথৌগী মথক্তা অহেনবা ওইনা তৌগদবনি হায়না খঙহল্লি।

মরম অসিনা লাক্লিবা ৱাফমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা হান্না এ টি এম এগী ষ্টাফশিং ওইনা লৈরম্বশিংবু মখোয়গীদমক পোষ্টশিং ক্রিএসন তৌরগা এবজোর্পসন/রেগ্যুলরাইজেসন তৌশিনখ্রবসু এ টি এম এ স্কিম অসিদি লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা কুমজা ২০২২-২৩ ফাওবা লৈখিগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী মখাদা লৈরিবা দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সনগী মায়কৈদগী মার্চ ২৫, ২০২২দা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা দেপ্যুটি সেক্রেটরি (এক্সটেন্সন) অনিল জ্যেননা ইদুনা খঙহল্লকপা লৈখি। মসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা পুল্লপ পুশিনখ্রবসু এ টি এম এ হায়রিবা সেন্টরগী স্কিম অসিদি অদুমক লৈরি হায়না লৌগদবনি হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু জন্যুৱারী ৭, ২০২২দা লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমদা লোয়শঙ অসিদা এবজোর্পসন/রেগ্যুলরাইজেসন তৌরে হায়রগসু থা অদুমক্কী জান্যুৱারী ৩১দা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী লেট্টর নম্বর এস এন ও-২/এল এ এন-ঈ আর/২০১৭তা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা ওনশিনখ্রবা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসি চৎলিবা কুমজা ২০২২দগী হৌরগা মথংগী চহী ২০২৩ ফাওবগী সর্ভিস মতম এক্সটেন্সন তৌবীনবা এগ্রিকলচর কম্মিস্নরদা অইবা চেরোল অমা থারকপসু লৈখি। অদুগা থা অসিগী ১৭তা এগ্রিকলচর দিরেক্টরনা লোয়শঙ অসিদা লৌশিল্লবা এ টি এম এগী ষ্টাফশিংবু ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীবদা স্কিম অসিগী এ টি এম/বি টি এমশিং হাপচিল্লক্ত্রিবা ফাওবদি লোয়শঙ অসিদা ওনশিল্লবা মখোয়না হায়রিবা পোষ্ট অনীসিগী থবকশিংসু অহেনবা শেনফম য়াওদনা তৌগদবনি হায়রকপনা হৌজিক ফাওবদা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা এ টি এম এ স্কিম অসি হিংদুনা লৈরিবনা মসিগীদমক সেন্টরনা পীরকপা শেলশিংনা কদাইদা লৈরি। স্কিম অসি সেন্টরগী মায়কৈদগী মণিপুর খক্তগী ওইনা মূত্থৎতুনা লৈহন্দ্রে হায়রক্ত্রিবনা পীফম থোকপা শেলশিং পীরক্লমফম থোকই। অদুগা এগ্রিকলচর লোয়শঙদা ওনশিল্লবশিংদা এ টি এম অমসুং বি টি এমগী থবকশিং অহেনবা চার্জ ওইনা পুহল্লগসু মসিগীদমক অহেনবা শেনফম পীরোই হায়রিবনা লোয়শঙ অসিদা লৈরিবা এ টি এম এ স্কিমগী শেনফমশিং কদাইদা লৈখ্রে অমসুং করিদা শীজিন্নখ্রে। লোয়ননা শীজিন্নদ্রিবা ওইরগনা কয়াম লৈহৌরি হায়বা ৱাফমশিং চোঙথোরকপনি। নৎত্রগনা এ টি এম এ স্কিমগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং লোয়শঙ অসিদা পুল্লপ লূপশিন্দুনা লৌশিনবদা মশা মশানা য়ানীংদবা মীওই খরখক লৈহৌরিবা অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী স্কিম অসিগী থবক থৌরমশিং মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমগদৌরিব্রা, ঙল্লোই হায়রগনা করম্বা মতমদা এ টি এম এ স্কিম অসিদা হাঙহৌরবা পোষ্ট ২৩৯ অসিনা মেনশিনবগী থবক পাঙথোক্কদগে হায়বসিনি।

খ্বাইদগী মরম চাবা ৱাহং অমনা এ টি এম এগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ২৩৯গী মনুংদা ২১৫বু ভি ঈ দব্লিয়ু/এফ এ ওইনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা এবজোর্পসন/রেগ্যুলরাইজেসন পীরিবা অসিনা য়ামখ্রবা পোষ্টশিং অসিগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং পীরবসু লোয়শঙ অসিগী করি করম্বা থবক্তা শীজিন্নগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংনরক্লি।

## ইরৈবাক্কীদমক, মীয়ামগীদমক শিবা কিদবা মী কয়া পরেং ...

*লামায় ১গী মখা...*লোয়ননা ঙরাং ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তুনা মীয়ামদা থস্ফম থোকপা ৱাফমশিং থল্লক্তগদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসিগী খোঙজং অসি কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদা হৌখিবনি।

খোঙজংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ইবা বেন্নর/প্লেকার্দ/পোষ্টরনচিংবা পায়বা য়াম্লবা মীয়াম্মা মফম অসিদা পূন্দুনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং লাউরকপগা লোয়ননা মীয়াম্মা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না চৎননবা হোৎনরকপদা মশীং য়াম্লবা নুপী অমসুং নুপা পুলিস পর্সনেলশিংনা থিংদুনা চৎহনখিদে। পুলিসকী মায়কৈদগী মীয়াম অদুবু তানখায়দুনা লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস সেল ফাওবা শীজিন্ননবা থৌরাং তৌখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা পাউমীশিংদা হায়, কুম পুরবা ম্যান্মার ঙমখৈগী শম্বল খাবা, য়ূম্বী য়ুংবগী ৱাথোক লোইশিন্দনা লৈবনা মণিপুরগী মাঙলিবা লমগী ৱারোইশিন পুরক্তে। চীফ মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরদা ৱারোইশিন পুরকপীয়ু হায়জদুনা লাকখিবনি। মরী লৈনবা চে চাংশিং পীশিনখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবদগী পেল্লক্তবা মীয়াম্মা ঙসিগী খোঙজং অসি চঙশিল্লকপনি হায়খি।

ঙমখৈদা চয়েৎনরিবা য়ূম্বীশিং ফাওবা খাজিন্দুনা থল্লমখিবনি। লৈবাক অনীগী তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তগী মণিপুর রোমদা কিলোমিটর ১ রোম হেন্না চঙশিল্লক্লগা শম্বল খাজিল্লকপা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী য়েক্লবা থৌওংনি। ঙমখৈগী য়ূম্বী নম্বর ৭৯দগী ১০২ ফাওবগী মরক্তা লম হেঞ্জিল্লক্তুনা শম্বল খাবা য়ৌশিল্লকপনি। থবক অসি চপ চাবা ৱারোইশিন পুরক্লগা চথবীয়ু হায়দুনা তক্লদুনা লাকপনি হায়খি।

হৌজিকসু মণিপুরগী মীয়াম্মা হেন্না থম্মোয় শোক্লিবদি কবো তম্পাকপু ম্যান্মারদা পীথোক্লগা অন্দমান নিকোবরগী লম ইন্দিয়ানা লৌশিল্লি। মসিদা ইন্দিয়াগীদি মাঙদে, মণিপুরগীদি লম মাঙজবা নত্তনা উমংগী পোথোকশিংগী কান্নবা পূম্নমক ম্যান্মারনা ওইনা ফংখিবনা মণিপুর লায়রহন্নবগী মচাক ওইরি। মণিপুরগী লিশাং শিংনা চৎনরকপা মীয়ামগী ঈহৌ হৌদ্রগদি অমসুং অশোক অপন অমদি মীশি মীনা থোক্তগদি তাবীদবগী চৎনবী থাদোক্লসি। ঐখোয়গীদি লৈবাক হায়বসি ইপা ইপুমক্লি হায়ফম থোকই। ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাকপা নুপা অমা ওইনা থবক পায়খৎপীয়ু। ইরমদমগীদমক্তা খরা কথোকপীয়ু। মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা চঙশিনখিবা মীওইশিংনা থৱায়না পোন্থা পীখিবদগী লিংখিবা য়ু সী এমনি। ঙসিসু কম্মিটি অসিনা থৱায় কথোক্লবগীদমক্তা অহৌবগী খোঙজংদা মীওই ১০০না শেম শারি। ঙসিগী ঈহৌ অসি মী লিশীং ১ পূন্দুনা চথনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা হয়েংদগীদি মী লিশীং ৫/৫না শরুক য়াদুনা লেপ্তুনা মীয়াম্মা ফংনীংলিবা অশেংবা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা চথগনি হায়খি।

ঙমখৈগী ৱাথোক অসি অমনা তৌগদবনি নৎত্রগা অমনা তৌগদবনি হায়দুনা ইন্থোক-ইনশিন তৌনগদবা নত্তে। য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জননা য়েংশিল্লগা থিদোক্কনি হায়খিবদু ঙসি ফাওবদা থিদোক্তবগী মরম পীগদবনি। য়ু সী এমগী ওইনদি পান্দম ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা চথখিগনি অমসুং খোঙফম হন্দোক্লোই হায়বগা লোয়ননা অদুঙৈ কুমজা ১৯৬৭কী রেঙ্গুন এগ্রিমেন্টগী ত্রেদিসনেল বাউন্দরি অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা ঙমখৈগী শম্বল খাবীয়ু হায়বা ৱাফমসি মরম চাই। শম্বলগী য়ূম্বী নম্বর ৮০ অমসুং ৮১দা চয়েৎনবা লৈবনা শম্বল খাবগী থবক লেপ্পবা তক্লদুনা লাক্লবসু থবক অসিদি লেপ্তুনা চথরি হায়রদুনা য়ু সী এম অমসুং মীয়াম্মা তাল্লিবা ঙমখৈগা মরী লৈনবা দিমান্দশিংগী মতাংদা লৈঙাক্লা করি করি পায়খৎপীরে হায়বা চপ চানা খঙহন্দ্রিবা ফাওবা শিবা-চঙবা থিদনা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়খি।

NIELIT Imphal
रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MEITY), Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur

ADMISSION NOTICE FOR SHORT TERM COURSES DURING JUNE / JULY 2022

| Sl. No. | Name of Course | Duration | Timing | Minimum Eligibility | Total no. of Seats | Class Starting | Course Fee +Exam and Regn fee (inclusive of GST) (Rs) |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Diploma in Computer Applications | 240 hrs. | 7:00 a.m. to 9:00 a.m. | Class XII passed / appeared | 30 | 5th July 2022 | 11918/- |
| 2. | Course on Computer Concepts (CCC) | 80 hrs. | 7:00 a.m. to 9:00 a.m. | Class X or appeared/ knowledge of English | 60 | 5th July 2022 | 5428/- 236/- (for SC and ST candidates) |
| 3. | Course on Computer Concepts (CCC) NSQF ALLIGNED COURSE (Saturday and Sunday only) | 80 hrs. | 7:00 a.m. to 10:00 a.m. | Class X or appeared/ knowledge of English | 60 | 19th June 2022 | 5428/- 236/- (for SC and ST candidates) |
| 4. | Certificate Course in Financial Accounting Using Tally ERP 9.0 | 80 hrs. | 11:00 a.m. to 1:00 p.m. | Computer Knowledge | 20 | 1st July 2022 | 5310/- |
| 5. | Installation & Repair of Consumer Electronics Products | 200 hrs. | 10:00 a.m. to 1:00 p.m. | Any Graduate | 25 | 20th June 2022 | 236/- |
| 6. | Basics of Graphics Designer | 36 hrs. | 7:00 a.m. to 9:00 a.m. | Class VIII to XII School dropouts | 25 | 21st June 2022 | 236/- |
| 7. | Basics of Computer Hardware & Networking | 36 hrs. | 3:00 p.m. to 5:00 p.m. | | 30 | 5th July 2022 | 236/- |
| 8. | Basics of Computers & Office Automation | 36 hrs. | 9:00 a.m. to 11:00 a.m. | | 30 | 5th July 2022 | 236/- |
| | | | 1:00 p.m. to 3:00 p.m. | | 30 | 5th July 2022 | 236/- |
| | | | 3:00 p.m. to 5:00 p.m. | | 30 | 5th July 2022 | 236/- |
| 9. | Computer Application Accounting and Publishing (CAAP) | 200 hrs. | 7:00 a.m. to 9:00 a.m. | Graduate/ Under graduate | 75 | 1st July 2022 | 236/- |
| | | | 9:00 a.m. to 11:00 a.m. | | 30 | 6th July 2022 | 236/- |
| | | | 3:00 p.m. to 5:00 p.m. | | 30 | 1st July 2022 | 236/- |

HOW TO APPLY: Interested candidate may apply online through **http://14.139.207.252:8080.** Contact for Payment Details : **6009973231/7005854028 during 9:00 a.m to 4:00 p.m** on all working days (Mon-Fri.)

Sd/-
Director,
NIELIT, Imphal

**NOTE :** *Students must provide his / her **WhatsApp** number while submitting the forms.*

HL-B/7698/22